অরুবা পেসেন্টশিং মতিক চানা লায়েংবীনবা জোর্হাটকী মীয়াম্না চীফ মিনিষ্টরদা তকশিনখ্রে

গুৱাহাতি, জলাই ৩০ (এজেন্সি):

প্রাইভেট অমসুং পব্লিক হোস্পিটালশিংদা হার্ট অমসুং দাইবেটিসনচিংবা অরুবা লায়নাশিংনা নারবা পেসেন্টশিং মতিক চাবা মওংদা লায়েং চথবিনবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা অসামগী নোংপোক থংবা জোর্হাট দিষ্ট্রিক্টকী সিটিজন কাঙবু অমনা চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱাল অমসুং হেল্থ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বা সরমদা তকশিনখ্রে।

এদভোকেটশিং রিন্টু গোস্বামি অমসুং গৌতম বোরা, বেঙ্ককী ওফিসল অমা ওইরিবা নাইয়ল জ্যোতি সরমা অমসুং সোসল ৱর্কর অমা ওইরিবা অরুনজয় সাইকিয়ানা লুচিংবা সিটিজনশিং অদুনা মেমোরেন্দম অমগী খুখাংদা অরুবা লায়নাশিংনা নারবা মীচমশিংদা খুদক্তা অমসুং মতিক চাবা মওংদা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা তকশিনখি।

মেমোরেন্দম অদুনা হায়খি মদুদি, ফিভম লুনা নারবা পেসেন্ট কয়া হোস্পিটালনা কোভিদ-১৯গী রিজল্টশিং লাকপা ঙাইরিঙৈদা লায়েংবীদবদগী শিংখ্রে। জোর্হাটকী দেপ্যুটি কম্মিসনরগী খুখাংদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুনা মখা তানা হায়খি মদুদি, হৌজিক্কী কোভিদ-১৯ গী পান্দেমিক মনুং অসিদা গর্ভর্নমেন্ট অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা মীচম মীয়াম্বু খুদক্তা মতিক চাবা লায়েং চথবিদ্রে হায়বসি তোঙান তোঙানবা সোর্সশিংদগী খঙবা ঙম্লে। সিটিজনশিং অদুনা চীফ মিনষ্টর অমসুং হেল্থ মিনিষ্টরদা হার্ট এটেক, ষ্ট্রোক্কুম্বগী অরুবা হকশেলগী ফিভমশিং লৈবা পেসেন্টশিং, এক্সিদেন্টকী কেসশিং, মৈহৌ লাংপোক্কী ভিক্তমশিং অমসুং অরুবা অতৈ অনাবা ফিভমশিংগী মতাংদা প্রাইভেট অমসুং গভর্নমেন্ট হোস্পিটালশিংদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট রিজল্টশিং ঙাইহনদবীদা খুদক্তা মতিক চাবা লায়েং চথনবগী তঙাইফদবা থৌরাংশিং লৌখৎপিনবা তকশিনখি।

অরুবা লায়না নারবা পেসেন্টশিং অমসুং অতৈ ইমর্জেন্সি কেসশিংগী মতাংদা মতম চুপ্পদা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহনগদবনি হায়না মেমোরেন্দম অদুদা পনখি। মীপুম খুদিংমক তঙাইফদবা লায়েং ফংহন্নবগীদমক গভর্নমেন্ট অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটাল অনীমক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা অমসুং নেগেটিভ ওইবা পেসেন্টকীদমক্তা তোঙান তোঙানবা য়ুনিটশিং লৈহন্নবসু মোরেন্দম অদুনা চীফ মিনিষ্টর অমসুং হেল্থ মিনিষ্টরগী পুক্লিং চিংশিনখি।

অরুনাচল প্রদেশকী চাংলাং দিষ্ট্রিক্টতা কম্ম্যুনিটি ট্রান্সমিসন থোরক্লগদ্রা হায়বগী অকিবা লৈরে

ইটানগর, জলাই ৩০ (এজেন্সি):

অরুনাচল প্রদেশকী চংলাং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বোর্দুমসাদা অনৌবা কোভিদ-১৯ কেস ৮ থেংনখিবগা লোয়নননা য়ুমশকৈশগী নুমিদাং ফাওবদা মফম অসিগী অপুনবা কেস মশিং ৩০ য়ৌখ্রে। হৌখিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা পাঙথোকখিবা রেপিদ এন্টিজেন টেষ্টশিংগী রিজল্টশিংনা ইনফেক্সন হেনগৎলক্লে হায়বসি উৎখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবদা অপুনবা পোজিটিভ কেস মশিং ৬ ওইখি। মমাংগী নুমিৎ হুন্নি চুপ্পা গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং-মনুংশিং অমসুং লল্লোন ইতিক তৌবা মীওই কাঙবু অমদা টেষ্টশিং অসি পাঙথোকখিবদা ফিভম লাকখিবনি।

হৌখিবা নুমিৎ মরিনি অসিগী মনুংদা অপুনবা কেস মশিং ৩০ য়ৌখ্রে। লল্লোন ইতিক তৌবা কাঙলুপকী মীওই ২১০ য়ুমশকৈশা নুমিত্তা টেষ্ট তৌখিবদা মীওই ৮ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি।

অসামগী তিন্সুকিয়া দিষ্ট্রিক্টকী মাগ্রেরিতা সব-দিভিজনগা তায়নবা মফমদা লৈবা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদু অরুনাচল প্রদেশ মায়কৈরোমদা তোঙান তোঙানবা বিজিনেস তৌবশিংনি। মখোয় লাইওং অমত্তা উৎতবগা লোয়নননা হকচাংগী ফিভম ফনা লৈ হায়রি।

চংলাংগী দেপ্যুটি কম্মিসনর ডা. দেভান্স য়াদবনা ফোঙদোকখিবদা, বোর্দরগী নাকল অনীমক্তা লৈবা মীয়াম্না লেপ্তুনা অমগা-অমগা চৎথোক-চৎশিন তৌনরম্বশিং মখা তানা লায়না শন্দোরকপা লাকশিন্নবগীদমক্তা পোজিটিভ কেস খরা থেংনখিবা মতুংদা অথিংবা থমখি।

মী চিনবা থৌরমশিংদা শরুক য়াখিবা পেসেন্টশিংগী কন্টেক্ট ট্রেসিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ঐখোয়গী ফ্রন্ট লাইন টিমশিংনা বোর্দুসাগী গালেঞ্জা অমসুং গোর্জু য়াওনা লাইচৎ অসিনা শোক্লিংঙাই ওই হায়না চিংনরিবা খুঙ্গং অনীদা রেপিদ এন্টিজেন টেষ্টশিং পাঙথোক্লগনি। হৌজিক ফাওবদা বোর্দুসাদা রেপিদ এন্টিজেন কিট ৯০০ থাখ্রে অমসুং কোভিদ ৱারিয়রশিংনা চোকথবা নাইদনা থবক তৌরক্লি হায়না য়াদবনা ফোঙদোকখি। লমদম অসিগী মীওই কয়ানা টেষ্টিংগী প্রোসিজর থুজিন্দ্রিমখৈ ভাইরস অসি লাকশিনবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোক্লুরি। য়ামদ্রবদা নোংমদা মফম অসিগী ওইনা টেষ্ট ৫০০০ পাঙথোকপা চঙগনি হায়রি।

ষ্টেটকী পাউ

ফ্লাইট ৫দা মীওই ১৫১ পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):

মণিপুরগী ৱাংমা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৫১ ঙসি ফ্লাইট ৫দা পুরক্তুনা ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.১৮ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ ঈ-২৫১ ফ্লাইট অসিনা দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ১৯, নুপী ১৭, অঙাং ৬ য়াওনা পুন্না মীওই ৪২ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। অনীশুবা ফ্লাইট এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩ অসিনা অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ৫১, নুপী ১১, অঙাং ৩ য়াওনা পুন্না মীওই ৬৫ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখি।

অহুমশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া এ আই-৭১৩ অসিনা অয়ুক পুং ১১.১৩ রোম তাবদা কোলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ৩, নুপী ৫ পুন্না মীওই ৮ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখি। মরিশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ঈ-৭০৭ অসিনা নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.২১ রোম তাবদা কোলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ১৭, নুপী ৭, অঙাং ২ য়াওনা পুন্না মীওই ২৬ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখি। মঙাশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া এ আই-৭১৪ অসিনা নুংথিল পুং ২.২৩ রোম তাবদা আইজোলদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ৬, নুপী ৪ য়াওনা পুন্না মীওই ১০ পুরগা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি।

ঙসি দিল্লি, কোলকাটা, গুৱাহাতি অমদি আইজোলনচিংবদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৫১ অদু ইম্ফাল এয়রপোর্টতা লৈবা মেদিকেল ষ্টাফশিংনা স্ক্রিনিং তৌরবা মতুংদা মপান্দা থৌরাং তৌদুনা লৈরিবা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসনা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা পুরগা ঘড়ীদা লৈবা ঐচ আর দি একাদেমীদা থমখি। তুংদা মফম অদুদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরী লৈনবা মীওইশিং লাক্লগা মখোয় ক্বারন্টিন তৌনবগীদমক পুখি হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি, হৌখিবা মে ২৫ দগী কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মণিপুরগী মপান লমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওইশিং ফ্লাইটতা পুশিল্লকখিবা পুন্না মীওই ২৩,৯৮০ রোম শুরে হায়রি।

ইদ-উল-জুহা য়ুম য়ুমদা পাঙথোক্লবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস) :

মালেম শীনবা থুংনা ইস্লাম লাইনিংগী ওইবা ইদ-উল-জুহা/বাকরি ইদ ওগষ্ট ১দা পাথোক্কদৌরিবনি। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী মণিপুরদা লৈরিবা ফিভম অসি য়েংলগা লাইনিং লাইশোন অসি য়ুম য়ুমদা পাঙথোক্লনবা অমদি মীয়াম পুনবা থৌরম পাঙথোক্তনবা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী স্পেসল সেক্রেটরী ঐচ গ্যানপ্রকাসনা প্রেসতা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

মীওই ৪৬১ দিটেন তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস) :

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোরক্লিবা অসি থিংনবা পুলিস দিপার্টমেন্টনা লেপ্তুনা চথরক্লিবা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থুগাইদুনা থোরকপা, ফেস মাস্ক উপ্তবা অমদি মীরক্তা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওই ৪৬১ অমদি ত্রাফিক রুলগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবা মীওই ৮ দিটেন তৌখ্রে হায়রি।

পুলিসনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চথবদা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থুগাইবা, মাস্ক উপ্তবা অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবশিং য়াওনা পূন্না মীওই ৪৬১ অমদি গাড়ী ৪ য়াওনা দিটেন তৌদুনা লুপা ৯৮,১০০ রোম ফাইন ওইনা খোমগৎপা ঙমখি। লৈঙাক্না থল্লিবা চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা থোরকপা মীওইশিং নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৬কী মতুংইন্না চৈরাক পীবা য়াই হায়না পুলিসনা চেকশিন ৱারোল থল্লক্লি।

ওগষ্ট ১দা ইদ-উল-জুহা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):

ওল ইন্দিয়া হেলাল কম্মিটি, ইমরেট শরায়া হিন্দনা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না লাক্লিবা ওগষ্ট ১দা ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা ইদ-উল-অঝা পাঙথোক্লগনি হায়না বাবুপারাদা লৈবা হেলাল কম্মিটি মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

কম্মিটি অসিগী সেক্রেটরি মৌলানা সয়দ অহমদনা খুৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইদ-উল-অঝানা লাকপদা লমদম অসিদা লৈরিবা অমদি থেংনরিবা অৱা-অনাশিং মাঙখিবা ওইরসনু। লোয়নননা খুদামিন্নরিবা ঐখোয় মশেল নুংশিচান্নবা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবা ওইরসনু হায়নসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

খেলাখোঙদা তেংবাং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):

চীং-তম অমত্তনি, ঐখোয় ইচিল-ইনাওনি, অমনা অমগী মতেং পাংনগদবনি হায়বা মোটোদা সোসল এক্তিভিষ্ট অমা ওইবতা নত্তনা ফিলানথ্রোপিষ্ট অমদি ওন্ত্রপ্রনর ওইরিবা ডা. এলিসন অবোনমাই অমদি চীং-তম ৱিমেন দিভলপমেন্ট এসোসিএসন মণিপুরনা পুন্না খুৎশম্নদুনা মণিপুরগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা খুঙ্গংশিংদা চয়োল খুদিংগী লেপ্তুনা চত্থরকপা তেংবাং পীবগী থৌরমগী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ৱাবগাই এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা মুস্লিম মাইনোরিটিশিংনা খুন্দাবা য়ুমথোং ১০০দা চেঙ, থুম অমদি অলুনচিংবা পোৎলমশিং তেংবাং পীখ্রে।

ডা. এলিসন অবোনমৈ মশামক য়াওনা চীং-ত ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এন কুঞ্জকিশ্বরি অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা তেংবাং পীবা অদুগা মরী লৈননা ডা. এলিসন অবোনমৈনা হায়, অমনা অমবু নুংশিবা, মতেং পাংনবা অমদি অৱাবা তারবশিংবু মতেং পাংবিবা হায়বসি ঈশ্বরনা পাম্মী। মরম অসিনা ঙসি মীয়ম্না কোভিদ-১৯গী লোকদাউনগী অৱাবা মায়োক্নরিবা মতম অসিদা কাংলুপকী খেৎনবা খাইদনা ঐখোয় অমনা অমগী অৱে লৈতা মতেং পাংনদুনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অচেৎপা নুংশিনবা মরী অদু ফগৎহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

এ আরনা য়ু জি ৪ ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস): হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মখাদা লৈবা অসাম রাইফলসকী ক্রুপ অমনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কসোম খুল্লেনগী মনাক্তগী কে ৱাই কে এলগী কাদর ৩, প্রিপাক্কী কাদর ১ য়াওনা মীওই ৪ ফারে হায়রি।

থা অসিগী ২৭তা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী অসাম রাইফলসকী কাঙবু অদুনা কসোম খুল্লেনগী খুন মনাক্তা থি-হুন্বা চথবদা কে ৱাই কে এলগী কাদর ৩ অমদি প্রিপাক্কী কাদর ১ ফাবা ঙমখিবনি হায়রি। পি আই বিনা থোকপা চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, অসাম রাইফলসনা ফারবা য়ু জি ৪ অদু কসোম খুল্লেন পুলিস ষ্টেসনদা মখা তানা ৱাহং-পাউহং চথবা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC

দাইবেটিষ্টকী মমিং লৈরবা SUGAR NIL CAPSULES
DUTTA AYURVEDIC তগী ফংবীগনি

নুপাগী প্রোব্লেম :

ফন্বী পাবা, ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙন্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙন্নবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :

ফিভৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

ডাইবেটিস :

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুকনুংশিৎ কাবা, চাবাথকপা তুমদবা, চানিংথক্লিংবা পোক্তবা, পুকনাবা, খোংহাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

অঙৌবা পকপা :

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

শমগী পোব্লেম :

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

তাং-তাং চিকপা :

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :

না তাবা ৱাংপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙম্লে।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6100/14/07-13/08

হেলিপেদকী এরিয়াদা মীতোপ চঙবা থিংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সেঞ্জম চিরাংদা লৈবা হেলিপেদতা অতোপ্পা মফমদগী মীতোপশিং লাক্তুনা চঙবা অথিংবা থল্লে হায়না সেঞ্জম চিরাং য়ুথ ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ জিবননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

খুন অসিগী মীওইশিংনা অতোপ্পা খুনদা অতৈ থবক্কী চৎলুরবসু খুন মনুং চঙদ্রিঙৈদা লোয়নরকপা গাড়ীশিং অমদি মীওই মশামক সেনিটাইজন তৌদুনা চঙহনবা হৌখ্রে। সেঞ্জম চিরাংগী খুঞ্জাশিংনা অহিং-নুংথিল পালি নাইদুনা চেকশিন্না কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মফম অসিদা য়ৌশিল্লক্তনবা কন্না হোৎনরি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি লোইদ্রিবমখৈ অতৈ অতোপ্পা ইচিল-ইনাওশিংনা খুন অসিদা লৈরিবা হেলিপেদতা কোয়বা লাক্তনবসু খঙহল্লি হায়রি।

অথিংবা থম্বিয়ু

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লায়নানা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবা অসিদা লৈঙাক্লা অতোপ্পা ষ্টেটতগী চঙলকপা য়াবগী আই এল পি পীবা হৌরকখিবা অসি মণিপুর মীয়ামগী ওইনা য়াম্না লাইবক থীবনি। লৈঙাক্লা লৌরক্লিবা খোঙথাং অসি মতাং-মতম খিতং চাদবরা হায়না খল্লি। মরম অদুনা সোসল ইনভাইরোন্টমেন্ট দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (সেদো) শিংজমৈ সাপম লৈকায়গী মায়কৈদগী মণিপুরদা অতোপ্পা ষ্টেটতগী মীতোপ চঙলকপা য়াবগী অয়াবা অসি মতম খরগী ওইনা অথিংবা থম্বিনবা লৈকায় অসিগী মীয়াম্না লৈঙাক্কী মফমদা হায়জরি হায়না সেদোগী সেক্রেটরি কে. রিশিকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সোসল ৱর্কর হুইদ্রোম বিক্রম অমসুং কোর্পোরেটর লুকামনিবু থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস) :

মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা ইরমদম মণিপুরদসু য়ৌশিল্লকপগা লোয়নননা য়াইস্কুল এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ৱাংখৈ কোন্সম লৈকায়দগী ফ্রন্টলাইন ৱারিয়র ওইনা থবক তৌরিবী নর্স অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোরক্তুনা চৎথোক-চৎশিন য়াদবগী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ মতম অসিদা হায়নরুবা তৌদনা সোসল ৱর্কর হুইদ্রোম বিক্রমজিৎ অমসুং ৱার্দ নম্বর ১৯গী কোর্পোরেটর ওইরিবী য়ুম্লেম্বম লুকামনিনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং হায়বদি, চেঙ, হৱাই, থাউ-থুম, ঙারি, আলু, তিলহৌনচিংবা পীবীরক্তুনা ফংহনবীবগীদমক ৱাংখৈ কোন্সম লৈরক দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মায়কৈদগী ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

তুংদা লাক্কদবা লৈকায় অসিগী চাউখৎ-থৌরাংগী থবক কয়াদসু মতেং পাংবীরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমজরি হায়না ৱাংখৈ কোন্সম লৈরক দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

‘ৱাখলদা অনাবা লৈবা মীওই ১ ফূবীরকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু’

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস) :

মেন্টেল্লি রিটার্দেদ ওইরবা মীওই অমবু হুরানবনি হায়না ফূবীরকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ষ্টেট প্লেটফোর্ম ওফ দিসএবল্ড পিপলস ওর্গনাইজেসন (এস পি দি পি ও) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম দি য়ুনুস খাননা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়খি, মেন্টেল্লি রিটার্দেদ ওইরবা মীওই অসি হৌখিবা জুলাই ২৭কী অয়ুক্তগী য়ুমদগী থোকখিবদগী থিবা খঙদদুনা লৈরকখিবনি। মহাক্কী লৈকায়গী মীওইশিং অমদি য়ুমগী মীওইশিংনা পব্লিসিটি চৎতুনা মীওই অসি থিদুনা লাকপগা লোয়নননা য়াইরিপোক পুলিস অমদি ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসন্দসু মীওই অসি মাঙখিবগী পাউ পীখিবনি। অদুবু মেন্টেল্লি রিটার্দেদ মীওই অসি থিবা খঙদনা লৈরকখিবা নুমীৎ অদুমক্কী নুমীদাং পুং ৮ রোম তাবদা ইরিলবুং পুলিসতগী ফোন তৌরক্তুনা চৎলুবদা মহাক ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা উচেক্কোনদা লৈবা য়ুম অমদা হুরানবনি হায়দুনা ফারগা পুলিসতা শীন্নরকখিবনি হায়না পাউদল্লকখি। মহাকপু হুরানবনি হায়না দাগফম নাইনা ফূরকখিবসি য়ানিংদে।

রাইট টু পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজ এক্ট ২০১৬দা পীরিবা প্রোটেক্সন ওফ এব্যুজ, ভাইওলেন্স অমসুং এক্সপ্লোইটেসন অসি নৈনবীরগা লৈঙাক্লসু দিসএবিলিটিজ অমগী ফংফম থোকপা হক অদু ফংহনবীয়ু।

থৌদোক অদুগী মতাংদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সনশিংগীদমক এস পি দি পি ওনা মতম চুপ্পদা লেপ্পি। মেন্টেলি রিটার্দেসন ওইরবা মীওই অসিবু ফূবদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎলু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

CROSSWORD-3518

1		2		■	3	4		6		5		7
	■		■	8	■		■		■		■	
9							■	10				
	■		■		■		■		■		■	
11					■	12						■
	■	■	■		■		■	■	■		■	13
14		16				■	15	17				
	■		■	■	■	18	■		■	■	■	
■	19			20			■	21		22		
23	■		■		■		■		■		■	
24					■	25						
	■		■		■		■		■		■	
26								■	27			

ACROSS

1 Grain store (4)
3 Sheath for a sword (8)
9 Legendary female warriors (7)
10 Elevate (5)
11 Precipitous (5)
12 Shrewd (6)
14 Male goose (6)
16 Extortionate money-lender (6)
19 Exactly right (4,2)
21 Roman meeting-place (5)
24 Steed (5)
25 Capable of being dissolved (7)
26 Bravo! (4,4)
27 Adhesive (4)

DOWN

1 Virgo, for example (4,4)
2 Rental agreement (5)
4 Free-and-easy (6)
5 Soft flat hat (5)
6 Airman (7)
7 Slimming course (4)
8 Pair (6)
13 First showing of a film (8)
15 Non-aligned (7)
17 Without risk (6)
18 Venom (6)
20 Rated (anag) (5)
22 Insurgent (5)
23 Caesar and Cleopatra playwright (4)

Solution 3517

A	N	G	E	R	E	D	■	A	U	D	I	T
B	■	L	■	E	■	E	■	N	■	I	■	H
S	Q	U	I	D	■	A	M	N	E	S	T	Y
C	■	E	■	T	■	D	■	U	■	C	■	M
O	D	D	B	A	L	L	■	L	O	U	S	E
N	■	■	■	P	■	Y	■	■	■	S	■	■
D	A	P	P	E	R	■	P	A	R	S	E	C
■	■	A	■	■	■	T	■	P	■	■	■	O
B	O	N	E	S	■	A	S	P	I	R	I	N
A	■	A	■	M	■	R	■	E	■	A	■	V
R	E	C	L	A	I	M	■	A	M	B	L	E
M	■	E	■	R	■	A	■	S	■	B	■	N
Y	E	A	S	T	■	C	H	E	M	I	S	T

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3317

8	7	2			3			
3	6				5			
5						2	7	
		7	4				8	
	4						3	
	5				1	7		
	9	6						1
			8				2	9
			1			3	4	7

Solution-3316

7	4	1	2	8	5	9	6	3
2	9	8	1	6	3	4	7	5
6	3	5	7	4	9	1	2	8
3	8	6	5	2	1	7	4	9
4	5	7	3	9	6	2	8	1
1	2	9	8	7	4	3	5	6
9	1	4	6	5	7	8	3	2
8	6	3	4	1	2	5	9	7
5	7	2	9	3	8	6	1	4

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম


অসুমতৌনা পুকমেন পাওমেন্নরল্লগা ঙমতাৱান হনখিরম্মী।
কুইন চৎলবা তুংদা ময়ুমদা য়ৌরক্লম্মী।
হো ইমা নঙবু কদাইদা লৈকে, কৈনোম্মা তান্নসে।